বুন্দেসলীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# বোরুশিয়া দোর্টমুন্দ অমসুং বোরুশিয়া মোঞ্চেঙ্গ্লাবাগ মখোয়-মখোয়গী মেচশিং চাওনা মায়পাকপা ঙমখ্রে



বর্লিন, জুন ০১ (এজেন্সী):
জর্মনিগী ফুটবোল ক্লবকী টুর্নামেন্টকী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা ওইরিবা বুন্দেসলীগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ২৯শুবা রাউন্দগী মেচশিংদা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দ অমসুং বোরুশিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাগনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিংবু য়াম্না চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙরা বেন্টেলর এরেনাদা শান্নখিবা মেচ অমদা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা এস সি পেদরবোর্ন ০৭পু পাঞ্জল ৬-১দা থোইখি। অদুগী বোরুশিয়া পার্কতা শান্নখিবা মেচ অমদনা য়ুম্বু ওইখিবা বোরুশিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাগনা এফ সি য়ুনিয়ন বর্লিনবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইবা ঙমখি।

বোরুশিয়া দোর্টমুন্দ লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি। ঙরাংগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীম্মক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদ্রবসু অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল পুন্নমক চনবা ঙমখি।

মেচকী ৫৪শুবা মিনটতা দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী থোরগান হেজার্দনা একাউন্ট হাংদোকপা হৌখি। মিনট ৩ লৈরগা মেচ অদুদা হেট্ট্রিক চনবা ঙমখিবা জাদোন সাঞ্চোনা টিমমেট জুনিলয়ন ব্রান্টনা পীরকপা বোলদা মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা এস সি পেদরবোর্ন ০৭কী মায়কৈদগী উৱে হুনেমরনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা টিম অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অজু চনখি।

দোর্টমুন্দগী জাদোন সাঞ্চোনা ৭৪শুবা মিনটতা থোরগান হেজার্দনা পীরকপা বোলদা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা মখোয়না পেদরবোর্নবু ৩-১দা হেন্দুনা হেন্দুনা লৈখি। মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু মেচকী অরোইবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মরক্তা টিমমেট অচ্রাফ হাকিমি অমসুং মার্সেল স্কিমেলজরনা পাঞ্জল অমমম চনদুনা ৬-১দা থোইখি।

বোরুশিয়া মোঞ্চেবগ্লাবাগনা এফ সি য়ুনিয়ন বর্লিনগা লম্বা তৌনবদা টিম অদুগী মায়কৈদগী মার্কস থুরামনা অহানবা হাফ অমসুং অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অমমম চনখি। মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ১৭শুবা মিনটতা মোঞ্চেনগ্লাবাগকী ফ্লোরিয়ন নুহাসনা চনখি। অনীশবা হাফতা য়ুনিয়ন বর্লিনগী সেবেসিয়ন অন্দর্সননা অমা হন্দোক্লবসু মার্কস অমসুং টিমমেট অলাসানে প্লিয়েনা পাঞ্জল ২ চন্দুনা ৪-১দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC Bayern München | 29 | 21 | 4 | 4 | 86 | 28 | 58 | 67 |
| 2 | Borussia Dortmund | 29 | 18 | 6 | 5 | 80 | 35 | 45 | 60 |
| 3 | Borussia Mönchen | 29 | 17 | 5 | 7 | 57 | 35 | 22 | 56 |
| 4 | Bayer Leverkusen | 29 | 17 | 5 | 7 | 54 | 36 | 18 | 56 |
| 5 | RasenBallsport Leipzig | 28 | 15 | 10 | 3 | 70 | 29 | 41 | 55 |
| 6 | Wolfsburg | 29 | 11 | 9 | 9 | 41 | 36 | 5 | 42 |
| 7 | Hoffenheim | 29 | 12 | 6 | 11 | 40 | 48 | -8 | 42 |
| 8 | Freiburg | 29 | 10 | 8 | 11 | 38 | 41 | -3 | 38 |
| 9 | Hertha BSC | 29 | 10 | 8 | 11 | 43 | 50 | -7 | 38 |
| 10 | Schalke 04 | 29 | 9 | 10 | 10 | 34 | 46 | -12 | 37 |
| 11 | 1. FC Köln | 28 | 10 | 4 | 14 | 44 | 52 | -8 | 34 |
| 12 | Eintracht Frankfurt | 28 | 9 | 5 | 14 | 46 | 53 | -7 | 32 |
| 13 | Augsburg | 29 | 8 | 7 | 14 | 40 | 56 | -16 | 31 |
| 14 | 1. FC Union Berlin | 29 | 9 | 4 | 16 | 34 | 52 | -18 | 31 |
| 15 | Mainz 05 | 29 | 8 | 4 | 17 | 37 | 62 | -25 | 28 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 29 | 6 | 9 | 14 | 31 | 58 | -27 | 27 |
| 17 | Werder Bremen | 28 | 6 | 7 | 15 | 30 | 59 | -29 | 25 |
| 18 | SC Paderborn 07 | 29 | 4 | 7 | 18 | 32 | 61 | -29 | 19 |

## রিজিজু অমসুং মুন্দানা ঈ-পাথশালা হৌদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ০১ (এজেন্সী):
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগা লোয়ননা শেমখিবা খেলো ইন্দিয়া ঈ-পাথশালা ঙসি য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর অমসুং ট্রাইবেল এফ্যর্সকী য়ুনিয়ব মিনিষ্টর অর্জুন মুন্দানা ৱেবমিনার (ওনলাইন এপ্লিকেসন) গী খুথাংদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

ঈ-পাথশালানা লৈবাক অসিগী মনুং হটিঞ্জন্না লৈবা এথলিটশিংদা ওনলাইন কোচিং অমসুং ইজ কেসনগী খুদোংচাবা পীগদৌরি। ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদু তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী নহা ওইরিবা অর্চর কয়া, অর্চকিগী কোচশিং অমসুং এক্সপার্টশিংনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কিরেন রিজিজুনা হায়খিবদা প্রোগ্রাম অসি য়াম্না তঙাইফদ্রা খোংথাং অমনি। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসিনা লৈবাক অসিগী মনুং হুৎচিন্না লৈবা কোচ নীংথিনা ফংবা ঙমদবা শান্নরোয়শিংদা কান্নবা পীবদা নত্তনা শান্নরোয়শিংবু অমগা-অমগা নকশিন্নবা ঙমহল্লগনি।

অর্চরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ট্রাইবেল এফ্যর্সকী মিনিষ্টর ওইরিবা অর্জুন মুন্দানা ফোঙদোকখিবদা খেলো ইন্দিয়াগী খুথাংদা অপীকপা খুঙ্গং অমদি ট্রাইবেল এরিয়াদা লৈবা নহা অর্চরশিংনা খ্বায়দগী অফবা কোচশিংগী মখাদা শান্নবা ঙল্লগনি হায়খি।

পুন্না প্রোগ্রাম অসিদা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ২১দা ত্রেনিং পীগদৌরি। ঙসিগী প্রোগ্রাম অদুদা স্পোর্টস সাইন্টিষ্ট, হায় পর্ফোর্মেন্স দিরেক্টরশিং অমসুং হায় পর্ফোর্মেন্স মেনেজরশিংনা শেন্বা কন্মিটিসু শরুক য়াখি।

## স্পেনগী লা লীগা জুন ১১দগী মখা তানা চথরগনি, শান্নরোয়শিং শেম শাখ্রে



মাদ্রিদ, জুন ০১ (এজেন্সী):
কোভদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চাউনা চৈথেং ফংখিবা লৈবাক অমা ওইখিবা স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগা থা অনী হেন্না লেপ্লুরবা মতুং জুন ১১দগী শান্নবা হৌরগনি। মসিগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা ক্লবকী শান্নরোয় পুন্নমক শেম শাখ্রে।

লা লীগাগী মায়কৈদগী ৱাফম অসি ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোরকপনি। জুন ১১দা সিবিলা ফুটবোল ক্লব অমসুং রিএল বেটিষ্টনা অহানবা মেচ শান্নগনি। লীগ অসিদা পোইন্ট খ্বাইদগী য়াম্না ফংদুনা মাঙজিল থারিবা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা লিগেন্সকা জুন ১৬তা শান্নগনি। অদুগা রিএল মাদ্রিদনা জুন ১৮দা ভেলেন্সিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরি।

স্পেনিস স্পোর্টস কাউন্সিলনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না লা লীগা অমসুং থংননা লৈরিবা লীগ টুর্নামেন্ট অনীমক জুলাই ১৯ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগদবনি হায়খি। মদুদা স্পেনিস ফুটবোল ফেদরেসন অমসুং লা লীগা অনীমক্না লেমহৌরিবা রাউন্দ ১১ অদু জুলাই ১৯ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা অয়াবা পীখি।

লা লীগাগী প্রসিদেন্ট জেবিয়র দেবাসনা ফোঙদোকখিবদা ২০১৯-২০গী সিজনগী লেমহৌবা রাউন্দশিং অদু অথুবা মতমদা লোইশিল্লগা সেপ্টেম্বর ১২দগী অনৌবা সিজন অদু হৌনবা পান্দম থল্লি। অনৌবা ফোর্মেট অসিদা টিম অমনা য়ামদ্রবদা পুং ৭২ পোথাহনবগী মতম পীরি। নোং-চীংগী ফীভম য়েংলগা টিমশিং অদুনা শান্নগদৌরিবা লম্বাশিং অদুনুমিৎ নীনিগী মমাঙদা সেদ্যুল পীগনি হায়রি।

মার্চ থাদা লেপখিবা সিজন অদুগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা পোইন্ট টেবলদা বর্সেলোনানা রিএল মাদ্রিদতগী পোইন্ট অনী হেল্লগা মাঙজিল থারি। সিজন মখা চথগদৌরিবা অসিগীদমক্তা শান্নরোয়শিংনা চয়োল অমগী মমাঙদা শান্নরোয়শিংনা ইন্দিভিজুএল ওইবা সেসন্দা ত্রেনিং চথুদুনা লাকখি। ঙসিদগী শান্নরোয়শিং অদু মপূং ফানা ফিল্ডদা ত্রেনিং তৌবা হৌহনখি।

কোভিদ-১৯গী অথিংবা লৈত্রিঙৈদা চথুখিবা ত্রেনিং অদুগুম্না তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংনা লীগ অসিগী ওফিসলগী মায়কৈদগী অহানবা শান্নগদবা মেচ অনীগী মতম অরেপ্পা অমা ফোঙদোরকপদগী ইন্দিভিজুএল ত্রেনিং তৌরম্বা অদু টিমগী ওইবা ত্রেনিং চথুখিবনি।

মরু ওইবা ক্লবশিংগী কোচশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না শান্নরোয়শিং অসি হৌজিক্কী ওইনা চাদা ৯৫ শেম শাদুনা লৈরে। লেমহৌবা রাউন্দ ১১ অদু ষ্টেদিয়মশিং অদুদা ভাবক অমত্তা য়াওদনা শান্নগদৌরিবনি। লোয়ননা মেচ খুদিংমক্কী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংবু থাগৎপা ওইনা খূবাক খূবগী অমদি ভাবক-শিংনা হরাওবা ফোঙদোকপগী ভিদিওশিং উকিদৌরি।

## এ আই এফ এফকী ওফিস থা ২গী মতুংদা হাংদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ০১ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯গী লোকদাউন থমখিবা থা অনীগী মতুংদা লৈঙাক্না পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) ইনবগা লোয়ননা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না হান্না থিংদুনা লৈরম্বা ওফিস ঙসিদগী হাংবা হৌখ্রে।

লৈঙাক্কী গাইদ লাইন অমসুং এস ও পিগী মতুংইন্না ওফিসতা হান্না লৈরম্বা এমপ্লোয়ীশিংগী চাদা ৫০ খক্তমক মতম অমদা কাগদবনি। মসিদসু নত্তনা এমপ্লোয়ীশিং অসিনা ওফিস অদুগী ম্যেন গেট চঙলমদাইদা মশাগী বোদি টেম্পরেচর চ্যেক তৌরবা মতুংদা চঙবা য়াহনগদৌরি। মসিদসু নত্তনা এমপ্লোয়ী খুদিংমক্না অরোগ্যা সেটুর মখোয় মখোয়গী মোবাইল ফোনশিংদা দাউনলোদ তৌদুনা নুংতিগী অপদেট তৌগদবনি হায়রি। হায়রিবা গাইদলাইন অসি ঙসিদগী চৎনবা হৌরগনি।

করিগুম্বা এমপ্লোয়ী অমনা মশাগী ফীভম অদু গাইদলাইনগী মনুংদা চন্দ্রবদি ময়ূমদগী থবক শূহনবা য়াগদৌরি। নাকল অমরোমদা দিপার্টমেন্ট অমদা লৈরিবা এমপ্লোয়ী পুন্নমক ওফিস এটেন্দ তৌদবা য়াদবা মতাং লাকপা মতমদা এদমিনিষ্ট্রেসন চলাইরিবা মীওই অদুনা লৈঙাক্ত পুং ২৪গী মাঙওইননা পাউ পীগদবনি হায়রি।

## দি এফ এনা ফী থিদোক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা এসোসিএসন অসিদা এফিলিএট তৌরবা ক্লবশিংগী রিন্যুএল, ট্রান্সফর অমসুং লোনগী ফীশিং থিদোক্লবা খঙহল্লক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ফর্ষ্ট দিভিজন, সেকেন্দ দিভিজন অমসুং থর্দ দিভিজন্দা শান্নরিবা ক্লবশিংগী চহীগী ওইবা রিন্যুএল ফী, শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফর অমসুং লোনগী ফী থা অসিগী ১০দগী হৌদুনা থিদোক্লবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা মেমোরেন্দম অমদা খঙহল্লক্লি।

ক্লব অমসুং এসোসিএসনশিংগী রিন্যুএল ফী লুপা ২,৫০০ অমদি এফিলিএসন ফীনা লুপা লিশীং মঙানি। লোয়ননা হায়রিবা ফীশিং অসি জুন ১০দগী হৌরগা ২০ ফাওবগী মনুংদা থিদোক্কদবনি হায়রি। প্লেয়রশিংগী ট্রান্সফর অমসুং লোনগী ফীনা লুপা লিশীং অনীনি। শান্নরোয়শিং লাকপদা ফেস মাস্ক উপকদবনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

## বোক্সর অমিট পনঘল অমসুং বিকাস কৃষন খেল রত্নাগী নোমিনেট তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ০১ (এজেন্সী):
বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি লৈবাক অসিদা চহী খুদিংগী পীবা শান্নবগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা রজিব গান্ধি খেল রত্না এৱার্দকীদমক ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট বোক্সর অমিট পনঘল অমসুং সিজন তৌরবা বোক্সর বিকাস কৃষন নোমিনেট তৌখ্রে।


কিলোগ্রাম ৫২গী কাঙলূপ্তা অমিট পনঘলনা এসিয়ন গেমসকী চেম্পিয়ন ওইবদা নত্তনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা রসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংখি।

মহাক হৌখিবা চহী অহুমদা অর্জুন এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখিবদা খল্লকখিদে। অদুবু হন্দক বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মহাক্কী ফজবা রেকোর্দ অসি য়েংলগা খেল রত্না এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখিবনি।

অমরোমদা, কুমজা ২০১২দা কম্মনৱেলট অমসুং এসিয়ন গেমসকী ওইনা কিলোগ্রাম ৬৯দা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা বিকাস কৃষনবুসু খেল রত্না এৱার্দকীদমক ফেদরেসন অসিনা নোমিনেট তৌখি।

নুপীগী বোক্সরশিংগী মনুংদা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবা লোবলিনা বোরগোহেন (কেজি ৬৯), সিমরনজিৎ কোর (কেজি ৬৪) অমসুং মনিস কোসিক (কেজি ৬৩) অর্জুন এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখি। দোর্নাচার্য এৱার্দকী ওইনা ফেদরেসন অসিনা নুপীগী কোচ মোহম্মদ আলি কামর অমসুং মহাক্কী এসিষ্টেন্ট কোচ সোটেলাল যাদবকী মমিং নোমিনেসন তৌবদা য়াওরকখি।

## ব্রাজিলগী বাস্কো দা গমা ক্লবকী শান্নরোয় ১৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে



রিওদিজানৈরো, জুন০১ (এজেন্সী):
ব্রাজিলগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা বাস্কো দা গমাগী মায়কৈদগী ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোরকখিবদা ক্লব অসিগী শান্নরোয় ১৬ পোজিটিভ ওইরে হায়রি। ক্লব অদুনা থা অনী লাইচৎ অসি সটদাউন লৈরবা মতুং ত্রেনিং তৌবা হৌরমদাইদা টেষ্ট চথবদা থেংনরকপনি হায়খি।

পুন্না ক্লব অসিগী শান্নরোয় ৪৩ টেষ্ট তৌবদা মখোয় ১৬ পোজিটিভ ওইখিবনি। হায়রিবা শান্নরোয় ১৬মক আইসোলেসন্দা থম্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবা অমনা, ক্লব অসিগী মমাঙদা পোজিটিভ ওইখিবা শান্নরোয় অহুম নাবা ফদুনা ত্রেনিং য়াওনবগী শেম শারি।

ক্লব অসিগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ত্রেনিং চথরমদাই খুদিংমক শান্নরোয়শিং অদুবু কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌগনি। মসিনা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অথুবা মতমদা অনাবা লৈরম্বশিং অদু মশক খঙদোক্তুনা মখা তানা শন্দোক্তনবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি হায়রি।

ঙসিদগী ক্লব অসিগী ইন্দিভিজুএল শান্নরোয়শিং ত্রেনিং পীবা হৌখি। অদুবু শান্নরোয় মশেল বোল মুন্নবগী মতাংদি য়াওদ্রি। অতোপ্পা ব্রাজিলগী ষ্টেটশিংদা ত্রেনিং হৌবগী ৱাফমসু লৈত্রি।

বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২০

## বাটে বোরিসোব মায় পাক্তুনা মকোক থোংলি, দাইনামো ব্রেষ্ট মায় পাকখ্রে, মেচ অমা দ্রো চৎখ্রে



মিন্সক, জুন ০১ (এজেন্সী):
বেলারস প্রেমি লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা বাটে বোরিসোবনা ইস্লোকপু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে। দাইনামো ব্রেষ্টনা এফ সী রুব্রেষ্টপু থোইখ্রে। অদুগা এফ কে বিটেক্স অমদি ইনজে'টিক মিন্সক দ্রো চৎখ্রে।

বোরিসোব এরিনাদা শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দদা য়ূম্বু বাটে বোরিসোব অমসুং ইস্লোক লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী পুঙ্খায় হেনবা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখ্রবা মতুং বাটে বোরিসোবনা চথুরকপা এটেক অমদা পেনালটি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা নেমানিয়া মিলিকনা চন্দুনা ১-০দা থোইবদগী পোইন্ট ২৫ ফংলগা টিম ১৬কী লম্বাদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

য়ুনোস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা ১১শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা দাইনামো ব্রেষ্ট অমসুং এফ সী রুব্রেষ্ট শান্নখি।

রুব্রেষ্টনা মেচকী ১৪শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। এবদোলায়ে দিয়ালোনা পাবেল সেকোনা পীরকপা বোলদগী চনখিবনি। ৩০শুবা মিনটতা দাইনামো ব্রেষ্টকী মায়কৈদগী সর্গে কিস্লাইকনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

হাফ মতুংদা এটেক চথবগী চাং দাইনামো ব্রেষ্টনা হেনজিল্লক্তুনা ৭২শুবা মিনটতা পাবেল সবিটচকিগী পেনালটি অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১দা মাঙজিল থাখি। ৮১শুবা মিনটতা অমুক্কা হন্না পাবেল সাবিটচকিনা টিমমেট সর্গে কিস্লাইটনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল অমগা চনখি।

শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা দাইনামো ব্রেষ্টকী মায়কৈদগী দেনিস লাপটেবনা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী গোল অদু টিমমেট সর্গে কিস্লাইটনা পীরকপনি। মায় পাক্লবা দাইনামো ব্রেষ্ট হান্না পোইন্ট ১৩ ফংদুনা ১১শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বদগী পোইন্ট ১৬ ফংলগা তরুকশুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।

এফ কে বিটেক অমসুং ইনজে'টিক মিন্সককী লম্বাদা অহানবা হাফকী অকনবা প্রেসরদা ইনজে'টিক মিন্সকনা পাঞ্জল ৩-২দা মাঙজিল থাখি। অহানবা পাঞ্জল বিটেক্সকী দিয়াগোনা ৮শুবা মিনটতা চনখি।

ইক্বেলাইজর অদু ইনর্জেটিক্কী মায়কৈদগী দুসান বাটিকনা চল্লবা মতুং টিমমেট সাগোস উমারোবনা ৪০শুবা মিনটতা ২-১দা মাঙজিল থাহনখি। বিটেক্সকী ইক্বেলাইজর ৪২শুবা মিনটতা আইওননা চনখি। ৪৪শুবা মিনটতা ইনজে'টিক্কী মায়কৈদগী দেবিদনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ৩-২দা লৈখিবা অদু ৯০শুবা মিনটতা বিটেক্সকী জুলিওনা হন্দাক্লগা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | BATE Borisov | 11 | 8 | 1 | 2 | 23 | 10 | +13 | 25 |
| 2 | Energetik-BGU | 11 | 7 | 1 | 3 | 17 | 13 | +4 | 22 |
| 3 | Torpedo-Zhodino | 11 | 6 | 3 | 2 | 15 | 9 | +6 | 21 |
| 4 | Shakhtyor Soligorsk | 11 | 6 | 3 | 2 | 16 | 3 | +13 | 21 |
| 5 | FK Slutsk | 10 | 5 | 2 | 3 | 16 | 15 | +1 | 17 |
| 6 | Dynamo Brest | 11 | 5 | 1 | 5 | 17 | 14 | +3 | 16 |
| 7 | Slavia Mozyr | 11 | 4 | 3 | 4 | 14 | 17 | −3 | 15 |
| 8 | Isloch Minsk Raion | 11 | 5 | 0 | 6 | 12 | 16 | -4 | 15 |
| 9 | Neman Grodno | 10 | 4 | 2 | 4 | 14 | 12 | +2 | 14 |
| 10 | FC Ruh Brest | 11 | 3 | 5 | 3 | 9 | 10 | -1 | 14 |
| 11 | FK Vitebsk | 11 | 3 | 5 | 3 | 11 | 13 | -2 | 14 |
| 12 | Dinamo Minsk | 11 | 4 | 1 | 6 | 13 | 12 | +1 | 13 |
| 13 | FK Gorodeya | 11 | 3 | 3 | 5 | 7 | 13 | -6 | 12 |
| 14 | FC Minsk | 8 | 3 | 1 | 4 | 12 | 16 | −4 | 10 |
| 15 | FC Smolevichi | 10 | 0 | 4 | 6 | 7 | 16 | −9 | 4 |
| 16 | Belshina Bobruisk | 11 | 0 | 3 | 8 | 9 | 23 | −14 | 3 |

## গ্রান্দমাষ্টর অর্জুননা লোকদাউন মনুংদা ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট মায় পাকপা ঙমখ্রে




হায়দরবাদ, জুন ০১ (এজেন্সী):
টেলঙ্গনা ষ্টেটকী অহানবা গ্রান্দমাষ্টর ওইরিবা অর্জুন ইরিগাইসিনা লোকদাউন মনুংদা অজরবৈজানদা পাঙথোকপা ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অমা মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নগী মঙলান অদু লেঙদনা থল্লি।

মশাগী চহী ১৬তা ঙাইরিবা টেলঙ্গনাগী ৱারঙ্গল দিষ্ট্রিক্টতগী ঙসি মমিং লৈরবা স্পোর্টস মেগাজিন অমগা ৱারী শানবদা গ্রান্দমাষ্টর অসিনা ফোঙদোরকপদা মহাক্না লোকদাউন মনুংদা চেছ মশান্না অসিদা হেন্না মতম শীজিন্নদুনা মহাক্না পাম্লিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবগী মঙলান অদু লেঙদনা থল্লি হায়খি।

কুমজা ২০১৫গী এসিয়ন য়ুথ চেছ চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা অর্জুন ইরিগাইসিনা ফোঙদোরকখিবদা কুমজা ২০১৮দা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা চহী অদু ওইখি। নোর্ম তরুক ফংবগী মনুংদা অহুম অমনা ইন্টরনেসনল টাইটল ফংবদা শীজিন্নখি অদুগা অতোপ্পা অহুম অমনা গ্রান্দমাষ্টর টাইটল ফংবদা শীজিন্নবা ঙমখি হায়রি।

ক্লাস এলেভেন ষ্টেন্দর্দতা তম্লিবা গ্রান্দমাষ্টর অর্জুন হৌজিক হৌজিক রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ভিক্টর মিখেলেবস্কিনা ত্রেনিং পীরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা কোচ অসিগী লমজিং লমতাক্কী মখাদা ওল রাউন্দ ইমপ্রুভমেন্ট কয়া অমা ফংবা ঙম্বগা লোয়ননা মিদল গেমদা মহাক্না হৈজনবা অদু হেন্না মপাঙ্গল লৈহনবা ঙমগনি হায়খি।


### /EMPLOYMENT NEWS

☞ Thoubal, Kakching, Nambol, Sekmai, Samurou অমসুং Imphal Branch (H.Q) গা খ্বাইদগী নক্লনা লৈবা 20 to 28 yrs তা লৈবা Office Supervisor (Graduate Computer Knowledge) 2/2 পামজৈ।

☞ 18 to 28 yrs তা লৈবা Car Driver (Unmarried) অমসুং Local Tata Driver (23 to 38 yrs) 2/2 পামজৈ।

☞ Tera Bazar অমসুং Shamurou Bazar গা নক্লনা লৈবা চেক Mistry অমসুং Jugali 3/3 পামজৈ।

*Please Contact:-* **L. Rammo**
**# 8787727402**

HL/B/6099/23 April to ...


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com